ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওক্টোবর ০২, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৮৭শুবা মশীং

# লময়ানবা ইরাবত

## নীংশিংলগদা তোক্লুমসি

হিজম ইরাবতকী পোকপা অমসুং লৈখিদবগী নুমিৎশিংদা ষ্টেটসিগী মীয়াম্না মহাকপু নীংশিংবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লুখ্রে। মণিপুরদা নত্তনা ষ্টেটসিগী ৱাংমদা লৈবা মীতৈশিংনসু হায়রিবা থৌরমশিংসি মপূং ফানা অমসুং নীংথিজনা পাঙথোক্লুখ্রে। কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল (এম এস সী) অমসুং ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী) গী মায়কৈদগীদি লময়ানবা অসিনা পোকখিবা অমসুং লৈখিদবগী নুমিৎ অনীমক সেপ্টেম্বর থাগী মনুংদা য়াওবনা 'ইরাবত থাবুম' হায়দুনা ফাওবা থা অমা চূপ্না মহাক্কী মরমদা অমসুং মহাক্কা মরী লৈনবা থবক-থৌরমশিংবু নীংশিংবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। হৌখ্রবা চহীশিংদা তৌখিদ্রবসু হন্দক চহীদদি অসামগী এম এল এ খরনা ফাওবা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টরদা মফমদুদসু লময়ানবা অসিগী মপোক নুমিৎতা ষ্টেট হোলিদে ওইহনবীনবা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তক্লুবা লৈখি। সেপ্টেম্বর ৩০, ২০২১দা পাঙথোক্লুখিবা হিজম ইরাবতকী ১২৫শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম মণিপুর গভর্ণমেনন্টনা শিন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখি। চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টর খরনা নুমিৎসিগী মাঙওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীদুনা লময়ানবা অসিগী মতিক ময়াইবু শীংথাখি। মহাক্না মণিপুরগীদমক হীরম খুদিংমক্তা লৌরম্বা থৌদাংশিং নৌহৌননা নীংশিংখি। মহাক্কী ৱাখল পরিংগী খুদুং ইন্দুনা চৎকদবনি হায়নরকখি।

তশেংনমক ইরাবতনা হিংলিঙৈদা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক তৌরম্বা থবকশিং, শরুক য়ারম্বশিং তমদুনা, লীদুনা লোইবা-খম্বা নাইহনবা ঙম্লরোই হায়বা য়াই। মহাক মশামক মরৈপাক মরমদমবু নুংশিবা, মরমদমগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং তৌবনা পুময়োম য়োমশিনখিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা অশেংবা লুচিংবনি। কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা থোকখিবা অনীশুবা নুপীলালদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং পুনশিল্লগা মণিপুরগী তোপ তোপ্পা মশক মাঙহন্দনা 'পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ' শেম্লনবা হোৎনরকখিবগী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ হৌখিবদগী 'পুংদোংবমগী থৌদোক' থোকখ্রিবনি। মহাক মশামক নিংথৌগী অচানবা ফম্নাইবগী ফম থিন্দোক্লবা ফাওবদা লৌখিদনা পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা মীয়ামগীদমক কথোক্লম্বা তাঙলবা লুচিংবনি। মরমশিং অসিদগী মহাকপু ঙসিগী মীরোলনা 'লময়ানবা' মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নরিবনি। মহাকপু শক-শোন্নরিবনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মহাক্কী পোকপা অমসুং শিবগী নুমিৎখক্তদা মহাকপু নীংশিংদুনা মহাক্কী ফোটো/মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা অমসুং মহাক্না তৌরম্বা অফবা-অচুম্বা থবকশিংগী মরমদা শীংথাবা খক্তনা মহাকপু নীংশিংবগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইরগদ্রা হায়বসিনি।

ৱাহংসি হৌজিক লৈরিবা মীরোল, মীরোলসিগী লুচিংবশিংনা লৈরিবা, ওইরিবা ফীভমশিং অসিদগী তঙাইফদনা হংলক্তবা য়াদবা ৱাহং অমা ওইরক্লিবনি। চুমসু চুম্মী, মরমদি ঙসি-ঙসিমক ওইরিবা মণিপুরগী হীরম খুদিংমক্কী ফীভমনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী থবক-থৌরমশিং মথৌ তারক্লি। মহাক্লুম্বা লুচিংবা অমগী তঙাইফদবা লৈরি। মসি ওইরগদি ঙসিগী মীরোলনা মহাকপু নীংশিংবা খক নত্তনা মহাক্কী হকচাংদা চেনখিবা মরমদম নুংশিবগী, অমত্তা ওইনা খনবগী, চাকথুং-ফিথুং মান্ননা ফংমিন্নদুনা পূন্না হিংমিন্ননীংবগী থাক ৱাংলবা ৱাখল্লোন অদুনা হোৎনরম্বশিং, পামজরম্বশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনফম থোকই হায়বসিনি। মমা লৈবাক মরমদম্বু নুংশিবা, মরমদম মীয়ামগীদমক খনবা হায়বসি লু-তোংদা চেল্লিবা ঈদা য়াওরকপা তোপ-তোপ্পা মশকনি। অদুবু মদুমক শাগোন্নরক্তুগসু মহাক্না হোৎনজরম্বা পূম্নমক অদু শিৎ-নান্না খঙলবনিনা হৌজিক্কী মীরোলগী ফীভম অসিগা কূপ্না তোৎশিন্নরগা মহাক্না মঙজরম্বা মঙলান অদুবু মঙফাওনহন্নবা মীরোলসিনা হোৎনফম থোক্তুব্রা? মায়কৈ শোমদা চঙশিনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মসিমক হৌজিক পুমহো-হোদুনা লৈরক্লিবা অহাঙবা অমা ওইরক্লিবনি। মরম অসিনা ঙসিগী মীরোল পূম্নমক্না লময়ানবা হিজম ইরাবতনা পামজরম্বা, ওইহন্নীংখিবা শক্তমশিং অদু চপ চানা ওইহন্নবা থবকশিং পায়খৎপনা মহাকপু নীংশিংদুনা শক শোনবগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইগনি হায়জনীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) *''বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!''* হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *''গীতা-লৌশিংগী পুক্কে''* হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) *''নীংতম্বগী মমল''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) *''অরোইবা পাউদম''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***''উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।''*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ুম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২, ৩)
২) ওইনাম ইবোচৌবা, শগোলবন্দ তেরা - (১, ২, ৩, ৫)
***৩) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)***
৪) ধনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২, ৩)
৬) খুম্বোংময়ূম ইনাও, কিয়াম মমাঙ লৈকায় - (১, ২, ৩)
৭) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (২, ৩)
৮) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৫)
৯) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২, ৩, ৫)
১০) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩,৫)
১১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১, ২, ৩, ৫)
১২) ইবোচৌ কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (২)
১৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১, ২, ৩, ৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৬গী ৱিন্নর*

***সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২৬কী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

# ঐগী হায়বু মীটিং খারে

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



খন্ন-নৈনবগী মীফম, মীটিং অমা চৎখি হায়দনা ঐনা থবক অমা চৎথোক্লুবগী হল্লকপদা ননেনা চাক থোংলমদে। চাক অসি নুংদাংখক ঙল্লপ চাবনা নঙ মাম্মগী ওইনদি হকচাং নুংঙাই।

হন্দক মরক্তি অয়ূকসু, নুংদাংসু চাক মতম কায়না কায়না চায়। ঐনা হায়বদি নঙ মাম্মনা অতৈ অতৈ থবক থনা চৎতবা তারবদি ঐনা ওইনা চাক থোংলগা হেক্তা চাজরে। নুপীনা (ননেনা) মীটিং থারি।

য়াম্না তোয়রে হন্দক্তি ননে অসে মীটিং চৎপা। ননেগা ঐগা তোয়না খৎনৈ। ননেসে মকোক য়াওদে হায়দনা ঐনা হেক হেক চৈ থাংবনি। তশেংনা ননে অসে মকোক্তি য়াওদে খঙদনা য়াওজদবনি অদুবু হন্দক্তি ননেবু ৱাংনা ৱাংনা থাঙ্গৎপা য়াম্না লৈরক্লে। ঐনা ননেবু মৱা লৌদবা, মীথানবীদবা অসিদি ইমুং অসিদা চহী ৩০ হেন্না লৈমিন্নরকপগা মাগী ৱাঙাঙ খরা লুরক্তবগা সুম হেক মৱা লৌখিদবনি অদুক হাক্না মাবু নুংশিরুদবগী নত্তে। করিগী নুংশিদনি ননেনি কৈনো?

চহী মঙা মঙা লৈরগা ননেবু হেক হেক থিবীবা লাকপা অসিদি ওন্থোক্না নুংঙাইজখ্রে। ঙাইহাক লৈরে অদুগী মীটিং, অদাগী মীটিং। চাক চানসিগা, মীটিংদা ৱা ঙাঙবীয়ুগা, পেন্সন পীনিগা, অদু তৌবীনিগা, অদা তৌবীনিগা য়াম্না হেক্তা লূম্না লৌবীখ্রে। মসি ওইরেকো নুংঙাইবা হায়বদো, দিমোক্রেসি হায়বদো। চহী মরি মখায় হেন্তক তৌনা মৱা লৌবীরুদ্রবনি ননে অসে। ফংনি ফংলোই খঙদ্রবসু পেন্সন পীনি, লোন পীনি হায়না পেন্সননা, লোননা থোঙজিন্দা লেপ্লরে। আধার পীরকউ, পান কার্দ পীরকউ, ভোটর কার্দ পীরকউ হায়না পূমনিল নিল্লরে। লাইবক ফবী ননে অমা ওইজবা ফংজরে।

ফজ-ফজবা মেঙলবা, খোয়থুম ৱাহৈ কয়ানা নুংশি নুংশিনা পঞ্চম শুরদা কোকিলগী মশক লৌরদুনা খোংলরে। কোকিল ময়াম্না, পোলিটিকেল কোকিল ময়াম্না। কয়াগী মতিক নুংঙাইজরে মনেসু মতাং অসি য়ৌরবদি। ঙাইহাক লৈরে অমা লাক্কনি, ঙাইহাক লৈরে অমা লাক্কনি। ইনে, ইনে, ইচে, ইতৈমা হায়দুনা মেঙলা য়াৱা খোঞ্জেলদা। মতম কুইনগী তুংদা। মসি ফৈ হায়না খন্দবা য়াদে, করিগী চহী মঙামুক নৎত্রবসু মীখল নক্তা নকশিল্লকপা তারবদি নোংফাদোক্তবু ননেখোয়, নঙ মাম্মখোয় চাউবা ফংজৈদনা।

লৈকায়গীনি, লৈবাক্কীনি হায়না ইচে, ইচন, ইনে, ইন্দোন ময়াম পূনশিন-পূনশিন্নরগা শঙ্গোয় মচিদা, মাঙ্গোলদা মীটিং তৌবা, ইশা ইশা থাগৎতুনা ঙাঙবা ৱা তাহনবা, ঐনা অদু তৌখ্রে, অদা তৌখ্রে হায়না খাঙবা-খোৎপা, নমদুনা তাহনবা অসি লিশাং শিৎনা অসুম্না পাঙথোক্তুনা লাক্লবা চৎনবীনি। অসুম্না তারুরবা মতুংদা মবুক্লিং ওল্লবা ইনে, ইচে, ইনেম, ইকু, ইবাই ময়াম অদু ৱা ঙাঙলিবা মশা থাগৎলিবা মীওই অদুদি ভোট পী। ঐনা য়াম্না ঙকচনীংলিবদি অসিগুম্বা মীটিং অসি মীখল ময়াদদা তৌরিবা অসিনি। অতৈ মতমদদি ইতৌ তৌবা য়াদ্রবরা হায়বসিনি। মীখল ময়াবু য়ৌরবদি লৈবাক্কী মরমদা নৈনখৎপা অসি য়াম্না তৌই। লৈবাক অমা চাওখৎনবা নৈনবা অসি, খন্নবা অসি হাতে-হাতে চাজরিবা ননেগুম্বা ঐঙোন্দদি য়াওহনবীবগী কান্নবা লৈত্রে। খন্নবসু থোক্তে, খরা চারগা, খরা থক্লগা লৈজরবনি। অনৌবা ৱাখল থোকচদে। ঐগুম্বা লাইরিক হৈজহৌদ্রবা অমদগী থোইদোকপা ৱাবু হায়নীংঙাই লৈজদ্রে।

ঐগী হায়বু ঐবু ননেনা ঙাইহাক লৈতনা কোয়কৌ কৌদুনা চরা হেলহনবমখৈ, চাক মতম চানা চাবা ফংহন্দবমখৈ মীটিং তাহনবীদৌগী শরুক পীফম থোকপদু মতম চানা পীবিয়ু, ফংহনফম থোকপদু মতম চানা ফংহনবীয়ু, মহয় চারোইদৌবা, ফল তারোইদৌবা মীটিং, মীফম পঙয়াওদা য়াওহনবীনু, তাহনবীনু। থবক ওইনা পাঙথোকপা তৌররোইদৌবা ৱা ময়াম খন্নদুনা, ইশা থাগৎতুনা তৌবদু নাপ্পা অনীসিদা অমুক হন্না তাহনবীগে খনবীরগনু। মীটিংগী মগুণ খঙবা চহী ৭৪ শুরক্লবনি ঐখোয়। মীটিং খারবনি। তৌফম থোকপা অফবদু তৌবা য়ারে, ঐখোয়দি খন্নবা হৈররোই হায়দুনা নখোয়বু মীহুৎ ওইনা থাগৎচখ্রবনি। চেঙ পাম্মী, মীটিং পামজদে। ●

# মণিপুর কনগদৌরিব্রা -২

## নবকুমার ওইনা

ইরাবত য়াখিদবা কাঙলূপকী মীয়ামদু মণিপুরী কৌনীংবশিং ওইগদৌরিব্রা? নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা হায়বা লূপ অদুগী মমিংদগী হিন্দু হায়বা ৱাহৈ লৌথোকপগী মরমসি মণিপুরী হায়বা ৱাহৈসি কন্নবগীরা? কৃষক সভানা মতৌ করম্না কম্যুনিষ্ট ওইরকখ্রিবা? ইরাবত অমসুং তুং ইল্লিবশিংনা কম্যুনিষ্ট ওইরগা মণিপুর কনবা ঙমগনি খনখ্রিবা? করিগীদমক 'মৈতৈ চনু' ইরল্লিবনো? ঙসি ফাওবা ইরাবত থাগোন্নরিবশিংনা করি ফোঙদোকপা লৈরবগে? ইরাবত য়ানীংলকপা মী লোইনমক কম্যুনিষ্ট ওইবা ঙমদ্রিবনা করিগীনো? মৈতৈ অমসুং মণিপুরী হায়বসিগী খেন্নবা ইরাবতনা করি ওইনা থল্লম্বগে? চীংমীনা করি হায়রিবা।

মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা ইলেক্সন তৌবদা ভোট কারিবা ইরাবত মণিপুর কৃষক সভাগী মীহুৎনি। ইলেক্তৈদ মেম্বর অমদা ৱারেন্ট ইস্যু তৌরিবা সোভরেন পৱার শীজিন্নরিবা ওফিসরদু কনানো, করি রেঙ্ককী ওফিসর ওইখি। চহী ৬৫গী মতুংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমনা ৱারেন্ট ইস্যুদু ককথৎপা ঙম্বগী পৱার লৈব্রা? মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ মুথৎপা লৈখিদবনা ঙসি ফাওবা হিংলি হায়বসু লৈরি। এক্ট অদুগী মখাদা ৱারেন্ট অদু ককপা নৎত্রবদি থর্দ পার্টি অমনা ৱারেন্ট ইস্যুদু ককপগী পৱার লৈরমদৌবা মান্দে। মসি পূম্নমক মৈতৈনি হায়বশিংনা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্লবরা? এক্ট অদুগী মখাদা লৈরম্বা মণিপুরগা ঙসিগী মণিপুরগা করিদা খেন্নরিবগে? মসিগী মরম থিরকপদা ইরাবতকী পুন্সি ৱারীদা হেক-হেক য়ূম্ফম ওইরক্লিবা অদু খঙবদুনা মণিপুর কনবা ওইরোইদ্রা। পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বদা অয়াবা পীরিবা মতম অদুগী ষ্টেট কোংগ্রেস য়াওরিবা মীওই খরগী ৱাখল্লোন্দু হঙ্গৎনা য়েংবা য়াই। মখোয়না মৈতৈ অমা ওইবগী চীং-তমগী নাৎ, কলচর অমসুং লোল অসি ঙাকপগী ৱাখল ফাওখিদব্রা? ইরাবতনা য়াদবা অদুমক্না ঙসিদি ষ্টেট অমা ওইনা লৈবদি ঙম্লে। তপ্পা তপ্পা নাৎ অমসুং কলচরদা চাশিল্লকপদি মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি। মতম শাংনা লৈঙাক পায়রক্লিবদি কোংগ্রেস পার্টিনচিংবা খরননি হায়বা মীয়াম্না খঙনরিবনি। মৈতৈগী নাথৈরগা হিন্দুগী নাৎ চংশিল্লকপদা থিংবা ঙমদবা অদুগী অয়াবা লৈবগুম্না চীং-তম অনীমক্তা অতৈ লাইনীং পূম্নমক্কী নাৎ চঙশিল্লকপসু অয়াবা পীবগুম থোক্লিবনি। মালেমগী ওইনা লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা লান কয়া থোক্লক্লিবা অসি থোক্তনবা লমদম অসিদসু লাইগী মীংদা মনীংতম্না তৌশিল্লক্লিবা থবকশিং লাকশিন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লাক্লবনি। নৎত্রবদি মণিপুর কনগনি হায়বা অরেম্বদা তাগদৌরিবনি। মণিপুরী জাৎ ওইনা শাগৎকেরা, মণিপুর কনগেরা, অরোয়বদা লমদম অসি কনাগী ওইহৌগনি হায়বা ঙম্বা কনা লৈরবগে? মপু পান্দবগা মান্নরি।

ভোট ঙাক্তগী খল্লিবশিংনা মণিপুর কনগনি হায়বসি থাজবা লৈনরক্তুবনি। পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্বদু য়াই হায়রুরবসু ঙসিদি মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়রে, পার্টি পূম্নমক্না হায়রে। করম্বা মণিপুর ওইগদৌরিবনো? ১৯৪৭কী এক্ট শেমখিবা মণিপুর অদুরা, মণিপুরী জাতি হায়রিবশিংগী মণিপুর অদুরা, ঙসিগী মণিপুর হায়রিবসিরা? লম্বী ফাওবা ইনীং তম্না চৎপসু ঙমজদনা কল্লবনি হায়গদৌরিব্রা? মচেৎ অমা কায়বসু কায়বা, খরা য়াম্না কায়বসু কায়বা, কবো তম্পাক মাঙবসু কায়বা, লমখৈ য়ূম্বী হোংদোকপসু কায়বনি অদুম হায়গনি। কায়রিবসি খঙদনা কনগনিতা হায়রবদি করি হায়রিবনো খঙজিল্লক্তবা তাবনি। ঙক্লিবনি।

মীটিন থুগায়বগী হৈনবী অমা লৈঙাক্তা লৈবদি কুইরে, ১৯৪৭তগী লৈরে। লৈঙাক পায়বশিংগী হৈনবী ওইরগনি। কন্সটিট্যুসনেল রাইট শীজিন্নরগা ফন্দামেন্টেল রাইট নমথবনি, সিটিজন রাইট লৈহন্দবনি, সোভরেন রাইট মাঙহল্লিবনি। কদায় ফাওবা ঙম্না শীজিন্নখিবা হায়বা থিরবদি ইরাবতপু মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌবা ফাওবা থিংখ্রিবনি। কন্সটিট্যুসন অনৌবদুগী আর্টিকলশিংদা ফাবা পূনবগী প্রোভিজনশিং ময়েক শেংনা য়াওরমদবসু য়াই। সেপ্টেম্বর ২১বু মণিপুর কনবা নুমিৎ হায়রিবসি করম্বা মণিপুরনো ময়েক শেংনা উৎফম থোকই, খঙনফম থোকই। মণিপুর কৌরগা অদুম লৈহৌবদি য়াগনি, লৈহৌগদৌরিবা মীওইশিংদি ঙসিগীশিংসি ওইরক্তবসু য়ারি। কনগদৌরিবসি মিং অসিরা, কাঙলূপকী মমিংশিং অসিরা লৈঙাক পায়বশিংগী হৈনবী কাঙলোন্না শেম্বা পৱার মুন্নবগী শেল পুশিল্লক্লগা য়েন্নবা ঙম্বা লৈঙাক অসিরা?

ইন্দিয়াদা পীথোকপা য়ানীংদে হায়বগীদমক লমদমসিগী নহা অহল খাক্তনা মীওই কয়া হাৎখ্রে। শিখ্রবশিংনা থৱায় থারিবসি মণিপুর কন্নবনি হায়রোইদ্রা? মদু য়াদবা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মণিপুর কল্লিবনি হায়গদৌরিব্রা? শিরিবা মীয়াম অমসুং লৈঙাক পায়রিবা মীওইশিংসি লমদম অসিগী মী নত্তবা য়াওবগীরা? য়ানদ্রিবা হাৎনরিবসি মণিপুর কন্নবনি হায়রিব্রা? ঙক্লিবসি ৱাখল খন্নরিবা মওংসি ওইরক্লি। করম্বা মীওই ফুরুপ্না খনবা হৌখিবা ৱাখল খূৎখন্নো হায়বা খঙনরব্রা হায়বদুনি। হেক্তা লায়না লৌবসু য়াফম থোক্তে। মণিপুর কৌরবা লমদমসি ইন্দিয়াগী ওইনা কন্দুনা থম্লদৌবনি হায়বনা করম্বা ফুরুপ্না খনফম থোকপা, লমদমসিগী মীয়ামগী ওইনা লৈগদৌবনি হায়বনা কনা কনানা হায়ফম থোকপা? শিরিবদি মৈতৈ ফুরুপ্তগী শিখিবনা য়াম্লি, চীংগী হাৎনরিবা অসিগা মরম মান্নদে, ৱাখল মান্নদে। চীংদা হাৎনরিবসিদি মণিপুর থুগাইনবনি হায়ববু য়াই। মৈতৈ হাৎলিবনা মণিপুর হায়বসি মুথৎপা য়ারোই ঐখোয় খরগী ওইরবনি হায়বা য়াওরব্রা? মৈতৈনা কদোমদা, চীংমীনা কদোমদা, মণিপুর কনবা হায়বনা করি হায়রিবা খঙবা ঙমশিল্লক্তরে। লৈঙাক পায়রগা লমদম অসিগী মীশিংবু মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশিল্লগা হাৎলিবগী পান্দম করিনো ময়েক শেংনা খঙনরব্রা? মদু খঙদনা মণিপুর কনগনি হায়রিবনা কনা কনানো? ইরাবতনা পাল্লম্বা অদুগী মখা তারকপা ওইনা লৈবাক ৱাথোক ওইরকপনি হায়রবদি ইম্ফালদা থোকপা ৱাথোক্লি হায়রম্বসু লৈরিবনি। চীং অমসুং খুঙ্গংশিং চেন্নদে, ইরাবত অমসুং লৈঙাক পায়বশিং য়ানদবনি হায়বসিনি। লৈঙাক পায়বা মীশিংগী অশেংবা শক্তম অমা ঙসি ফাওবা খঙনদ্রিবা করিগীনো হায়বসিনা মণিপুর কনবগী মরু ওইবা মরমনি। মণিপুরী ফুরুপ (জাৎ) অমা শাগৎপা পাম্বশিংনা পৱার পায়শিল্লগা মণিপুরী হায়বা জাৎ অমা শাগৎপা পাম্বা ওইরবসু মখোয়গী মচা-মশু য়াওনা নোংমৈ পায়রগা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লালহৌ হৌবা য়াওরক্লবনি।

মসি পূম্নমক কাঙলূপ শাগৎনবনা মরু ওইনা লৌবা য়াওরিবগীরা মণিপুর কন্দবা য়াদে হায়বদুগীরা। মণিপুর মুন্নবা মানবা অমা য়াওরি, করি কান্নগে হায়রিবনো? ৱাথোক ওইরিবদি লম্না নত্তে, মীয়ামসিনা নত্তে, মমিং অসিননি। মমিং অসিদি মীওই খরনা থোনজিনখিবনি। মদুমক্না মীয়াম চায়খায়নবগী মরম ওইরকপনি। মদু খঙদনা মণিপুর কনবা ঙমলোই, হৌজিকসু মণিপুর থুগাইরিবসি মমিংসিননি। মদু য়াদবশিংনা কন্নবনি হায়রবসু থৌওং চুমদ্রবদি কনবা ঙমলোই। মমিংসিবুদং কন্দবা য়াদে হায়বা য়াওরবদি লমদম অসিগী অপূনবা শক্তম থুগায়রিবসি মখোয়নি হায়বা তরং তরংনা অদুম খঙনরক্কনি। ইরায় লায়না লমদম অসিসু লোল অসিদা মমিং থোনবা, লোল অসিমকসু লোল অসিদা মমিং থোনবদা লমদম অসি কন্নবগী থবক তঙ্খায় অমা লোইরনি হায়গনি। মদুদি নত্তনা মণিপুর কনবা হায়রগা মমিংসি কনবা ওইনা লৈরিবমখৈ লমদমসি থুগায়বা, চায়খায়বা, হাৎনহনবা, ফুরুপ মুথৎপসি তোকপা লৈখিরোইদৌরিবনি। কন্সটিট্যুসনেল পৱার পায়বা মীওই খরনা ফুরুপ মনুংদা হাৎনদুনা লৈখিগদৌরিবা অসিবু মণিপুর ঙাক শেল্লিবনি হায়বসি মমিংদুরা, লমদমসিগী অপূনবা শক্তমদুরা ময়েক শেংনা খঙলবসু মাল্লক্তে। তোলোপকী খল্লগা পঙখোংদা খোংবা মানবসিনা ঈরাং নেমথগনি হায়বদি লৈরোই। মীনাই শিনসু তারগা তোক্কনি।

করি তৌরগা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপূনবা ৱাখল্লোন শাগৎকদগে হায়বসি থিবা-হুম্বা তারবদি ৱাখল খন্নরিবসিগী মরূ থিবা তারকই। কাঙলূপকী মিংদা শিখাং খাঙবশিংনা অপূনবগী শক্তম থুগায়বা ওইনা লৈরিবসি কাঙলূপ খুদিংমক্লি। পৱার পায়শিল্লগা শিখাং খাঙজিনবা য়াওরি হায়বসি খঙনবা হৌরক্লবনি। নাকল অমদনা ইরাবতকী মীতম শারগা পঙখিন্দা খিনবা, থিকা লৌবা মাল্লকপসিনা মণিপুর কনবা মান্নবা তৌরি। মণিপুরগী মপান্দা খিনবশিংদি মমিংসি কন্নবা ওইনা উরক্লি। লমদমসি ওইনা কন্নবা নত্তে। মৈতৈনি হায়জবশিং অয়াম্বনা অসি খঙনা থবক পায়খৎতবনসু লমদমসিগী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা থিন্থনবগী মরম ওইরক্লিবনি। ইরাবতপু কৈ মউন ওইনা শীজিন্নবা য়াওরব্রা হায়বসি খঙবা মীসু লৈরমগনি। মণিপুরী কৌরিবা কাঙবু (জাৎ) না মণিপুর কনবা থৱায় য়াওরবদি মণিপুর লৌশিনবগী মাল্লক্লি। কাঙলূপ খুদিংমক্না মণিপুর খঙমিন্নবা তঙাইফদবনি খল্লি। খঙদ্রবদি কনানা কন্দৌরিবা, করিনো কনগদৌরিববো? ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬কী পাউখুম

১) ***''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''*** শৈরেং মতেক অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো? ***:- লাইরিক মমিং - শৈদম শৈরেং; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - উনা; অইবা - হিজম ইরাবত, অহানবা ফোঙবা - কুমজা ১৯২৯।***

২) ***''শৈরেংগী খুঙ্গং''*** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো? ***:- শৈরেংনি; অইবা - রঘু লৈশাংথেম; (অহানবা ফোঙবা, কুমজা ২০১৪)***

৩) ***''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? ***:- সুকুমার সেননা ইবা History of Bengali Literature হায়বদুদগী হিজম গুণ সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোকপনি (সাহিত্য অকাদেমি, অহানবা ফোঙবা, ১৯৮৯)***

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি ***''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*** হায়বসিগী অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো? ***:- অইবা - নিংথৌখোংজম দিলীপ কুমার; ত্রিপুরা লমদমগী শক্লাইরবা অইবনি।***

৫) ***''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরু সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- ''থারোন'' হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অশেংবদি পুয়ানি, লাইরিক ওইনা পুথোরকপা - এন ইবোচৌবা; অহানবা নম্বর, ওগষ্ট ১৯৮২।***